# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ তেরা-পাইবী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইস্ট ইনস্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



**হংবা** য়াই তেরা-পাইবী পাম্বীবু মশক খঙদবা মীওই কনাবু লৈবগে ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা! তেরা-পাইবী পাম্বী অসি ইংলিসতা থীকহেদ (Thickhead) নৎত্রগা রেদফ্লোৱর রেগলিফ (Redflower ragleaf) নৎত্রগা ইবোলো (Ebolo), চাইনিজদা য়ে তোং হাও (Ye tong hao), জাভাদা সিন্ত্রোং (Sintrong) নৎত্রগা জেৱার (Jewor), ফিজিদা সে ভুকা (Se vuka) ইন্দোনেসিয়াদা জুকুত জামালোক (Jukut Jamalok), জপানিজদা বেনিবানাবোরোগুকি (Benibanaboroguki), ফিলিপিন্সতা বুলাক মানোক (Bulak manok), থাইদা ফাক পেত মিও (Phak pet maeo), তোঙ্গাদা ফিসি পুনা (Fisi puna), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ক্রাসোসেফালম ক্রেপিদিওইদিস (Crassocephalum Crepidioides (Benth.) S. Moore)* নৎত্রগা *গাইনুরা ক্রেপিদিওইদিস (Gynura crepidioides Benth)* নৎত্রগা *গাইনুরা দাইভর্সিফোলিয়া (G. diversifolia Sch. Bipex Asch)* নৎত্রগা *গাইনুরা মাইক্রোসেফালা (G. microcephala Vatke)* নৎত্রগা *গাইনুরা পোলিসেফালা (G. polycephala Benth.)* নৎত্রগা *গাইনুরা কুশিম্বুৱা* (G. cushimbua (D. Don) Moore) নৎত্রগা *সেনেসিও ক্রেপিদিওইদিস* (Senecio Crepidioides Benth) হায়না কৌই অমসুং *এসতরেসী (Asteraceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

তেরা-পাইবি পাম্বী অসি অফ্রিকাগী ট্রোপিকেল লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি হায়না পাউদমলি। ঙসিদি পাম্বী অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিং মরুওইনা ইন্দিয়া, খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং অমসুং ফিলিপিন্সতা পাক শন্না হৌখ্রে। তেরা-পাইবি পাম্বী অসি ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৫৫ দা জপান্দা হৌবগী পাউদল্লকখি। Global Compendium of Weeds কী মতুংইন্না তেরা-পাইবী পাম্বী অসি ট্রোপিকেল অমসুং সব ট্রোপিকেলগী লমদমশিংদা হৌবা তমথিরবা ৱিদ হায়বদি হাজোংবা পাম্বীনি হায়না লাউথোকখ্রে।

তেরা-পাইবী পাম্বী অসি ফুট ২ ফাওবা ৱাংবা এনুএল হায়বদি চহী অমখক পুন্সিবা মফম অয়াম্বদা পাক শন্না শন্দোক্তুনা হৌবা ঙম্বা পাম্বীনি। পাউদম অমগী মতুং ইন্না মপুং মরৈ ফারবা তেরা-পাইবী পাম্বী অমনা লৈ ২৯ ফাওবা শাৎপা ঙম্মী অমসুং মসিনা মরু ৪৩৭৯ ফাওবা পুথোকপা ঙম্মী। তেরা-পাইবী পাম্বী অসি হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা হৈকোল-লৈকোল, চা অমসুং কোফি থাবা মফমশিং, তুরেলগী মপাল, উখা-ৱাখা, শঞ্জাবুং অমদি খোংবান-লুপানশিংদা নিংথিজনা হৌবা ঙম্মী। পাম্বী অসিগী মরু অসি পেপস হায়না খঙনবা অঙৌবা মচুগী মতু পান্দুনা মফম অমদগী অতোপ্পা মফমশিংদা নুংশিত্তা পাইদুনা চৎপা ঙম্মী। শ্রী লঙ্কা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী চা পাম্বী থাবদা খ্বাইদগী অমাং অতা থোকহল্লি হায়না লৌনরিবা পাম্বীশিংগী মনুংদা তেরা-পাইবী পাম্বী অসিসু অমনি। কোফি, ফৌ, কোমলা-চম্প্রা, মঙ্গ্রা, আলু অমসুং মনা-মশিং থাবা ইঙ্খোলদসু তেরা-পাইবী পাম্বী অসি হৌজিন্দুনা পোৎথোক-চাথোক হন্থহল্লি হায়নসু পাউদল্লি।

তেরা-পাইবী পাম্বী অসি মীওইবদা অমাং-অতা থোকহল্লি হায়না লৌনরবসু মসিনা পীবা কান্নবশিংসু থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওই। অফ্রিকাদদি তেরা-পাইবী পাম্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু য়াম্না অহাওবা এঞ্জাং অমা ওইনা থোংদুনা চানৈ। সেরা লিওনিগী লমদমশিংদা তেরা-পাইবী মনাগা লৈবাক-হৱাইগা শুগাইরগা পূন্না থোংমিন্নদুনা য়াম্না হাওবা মথেল অমা ওইনা চানৈ। অফ্রিকাগী মীওইশিংনা তেরা-পাইবীগী অনৌবা মখোক অদু মকক মকক কল্লগা অচার শেমদুনা চানৈ। ওস্ট্রেলিয়াদসু তেরা-পাইবী পাম্বী অসি শিংজু ওইনা নৎত্রগা থোংদুনা চানবগী পাউদমসু লৈ।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কনাগুম্বা মীওই অমা থাঙ-তেন্না শোক্তুনা ঈ থোকপদা তেরা-পাইবী পাম্বীগী মনা নৎত্রগা মতোন অদু শুগাইরগা অশোকপা মফম অদুদা মহী অদু শুমজিন্দুনা থোম্বদা ঈ অদু য়াম্না থুনা খকহনবতা নত্তনা য়াম্না থুনা অনাবা অদু ফাজিনহনবা ঙম্মী হায়দুনা পাক শন্না শীজিন্নৈ। য়াম্না কুইরবা মতমদগী অফ্রিকাগী মীওইশিংনা তেরা-পাইবী পাম্বী অসি ঈশিংদা ফজনা ফুৎলগা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা চাবা তুমদবা, পুক নাবা অমদি পুক নুংশিৎ কাবা অসি লায়েংদুনা লাক্লি। নুংশিৎ কাদুনা চিনবান পোপথোকপদা তেরা-পাইবী পাম্বী শুগাইরগা থোম্বদা থোইদোক্না কান্নগনি। য়াম্না তোয়না শারৈ হৌগনবা মীওইশিংদা তেরা-পাইবী পাম্বী ফুৎলগা চাং নাইনা পীজদুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না তেরা-পাইবী পাম্বী অসিদা অপোম-অতং মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্মী। মীওইবগী ঈ অসি শেংদ্রবদি তেরা-পাইবী পাম্বী থোংদুনা চাং নাইনা পীজবদসু কান্নবগী পাউদমসু লৈ।

# সনামহী লাইনীং য়োকখৎপা লৈঙাক্কী থৌদাংনি

## আর কে খুমন

**উমং লাই হরাউবগী** মতম য়ৌশিল্লকপা অসিদা হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদা তৌহৈদবা থৌদৌ অমখক্কী পাউচেদা উখিবা মমি (ফোটো) অমা নীংশিংলকখি। মমি অদু উমং লাই হরাউবগী লাই লম থোকপদা মণিপুর পুলিসনা থিংবদা য়ানদবদগী পুলিসনা লাই মনাইরোয়শিংবু তান্না তান্নদুনা ফুবদা, উমং লাইবু থাজজবা লাই মনাইরোইশিংনা লাইগী খুভম ওইনা লেনথোংনরগা পুদুনা চৎপা কৈরেন কৈজাউদু কৈথেলগী লম্বী অচৌবগী ময়ায়দা হুন্দোক্তুনা চেনখিবগীনি। মমিদু উবদা সনামহী লাইনীং চৎচবা অমসুং মীতৈ কাঙলুপশিং থস্মোয় শোক্না নুংঙাইনখিদে। মতুং তারকপদা পেন্নদবগী খোল্লাউ কয়ামরুম পাউচেশিংদা ইনরকখি। মতাং অসিদা মণিপুর পুলিসকী ইচিন ইনাওশিংনা মখোয়গী কা হেনবা থৌদৌদা ফত্তে হায়বগীদমক শাউনীংবা, পেন্দবদি য়াই অদুবু মথক থোংবশিংনা য়াথং পীরক্লে হায়দুনা মীওই ফুরুপ কাঙলুপ অমগী থাজবা, নীংজরিবা অমসুং ফুরুপ কাঙলুপ অমগী নাৎ চৎনবী অমসুং শক্তম তাক্লবদা মরু ওইখ্রবা লাইনীংবু য়াম্না উশিৎ থওইদনা খোঙ্গোয়নবগুম তৌখিবা থৌদৌদা হকথেংননা চেন্নরিবা ফমদোংলিবা অচৌবদগীনা মচা ফাওবশিংদুগী কোক্তাদুদি করম্বা কোক্তানো। মখোয় ইমা লৈবাক কংলৈপাক অসিদা পোক্তবা, লৈহাও অসিদগী থোক্লকপা ফৌ চেঙ, এঞ্জাং নাপি, ঙা, উহৈ-ৱাহৈনা মবুক থন্না চাদুনা চাউরক্তবা মীওই নত্তব্রা। মীতৈ লাইনীং চৎপশিংগী থাজজবদা য়ূম্ফম ওইদুনা লাৎচবা, নীংজরিবা লাইনীং লিচৎ সনামহী লাইনীংগী মনুং চল্লিবা মীতৈ কাঙলুপকী য়াম্না মরুওই হায়না লৌজরিবা উমং লাই হরাউবা মতমদা লাই লম থোকপা হায়বা ইপা ইপুশিংগী মতমদগী চৎনরক্লবা চৎনবী অসিবু লম্বী চিলহল্লি হায়বগীদমক লাই মনাইরোইশিংবু ঙম্মী হায়দুনা শা-ষণ ফুবগুম তান্না তান্নদুনা ফুখিবদা করিগুম্বা অমত্তা হায়খিদবা মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক্তুনি ঙক্লিবদি। অসিগুম্বা উমং লাই লম থোকপদা থওই উশিৎতবা লমকেৎ লমহাইবগী থৌদৌ চত্থবসিদি উমং লাইদা অচৌবা মরাল লংশিঞ্জরবনি। উমং লাই মীতৈশিংনা য়াম্না লুনা নীংজবা লাইনি, কয়ামুক য়াম্না লুনা নীংজবগে, কিনা চৎচবগে হায়বদুদি মাইবী-মাইবনা লাইবৌ চোঙলিঙৈদা লাই লমলানবা, লাইশঙদা ফত্তবা হায়হৈদে মদুনা তুংদা অফবা ওইদে হায়বনচিংবা ইপা ইপুগী মতমদগী চিন্থাং ওইনা লাক্করিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা উমং লাই হরাউবা মতমদা লাইগী থৌগল তৌবা অমসুং খুরুমজবা লাকচবা মীওই পূন্নমক্না ফিসেং শেৎতুনা লাইশঙদা লাক্লিবনি।

থমজনীংলিবা ৱাফম অমনা মীতৈ কাঙলুপকী খুন্নাইরোল, থকসি খাসি, মীঙ্গৌ-থাগৌ, ফিজেৎ, চাকচা-য়ুথক, ঈশৈ-জগোয়, য়ূম্বাল্লোন, মশান্নশিং কনবা অমসুং য়োকখৎপদা মীতৈ কাঙলুপনা থাজজবা লৈশেমলকপদগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা ইপা ইপুশিংনা চৎলম্বা খাংতপ্তুগী লাকখিবা নত্তবা শুপ্না হায়রবদা সনামহী লাইনীংনা খ্বাইদগী মরু ওই হায়বসিনি। লমদমসিদা সনামহী লাইনীংগী মনুং চনবা লাইফম অমসুং খুভম কয়াদি মুৎশিল্লক্লে। লাইফমলেন কয়া অতোপ্পা লাইনীংগা মরী লৈনবা লাইশঙ শাজিনখিবা, মমিং ওন্থোক ওনশিন তৌবা ফনা য়ামখ্রে। নোংপোক ইনিংথৌগী খুভম ওইরিবা নোংমাইচীং চীংবু হিন্দুগী সিব মহাদেবগী খুভমনি হায়বা লাল্লি, মীতৈগী হৌরকফমনি হায়না থাজনরিবা য়াম্না মরু ওইখ্রবা, লোয়ননা চহী খুদিংগীসু মীতৈনা ইরাৎ থৌনিরিবা খুভম কৌব্রু চীংবু হিন্দুগী লাই বোলভামগী খুভমনি হায়না ইরাৎ থৌনিসনবা লাল্লবা থৌওংনি। পামহৈবা নিংথৌনা য়াদুনা লাৎখিবা মহাবলিনি, অদুনা মফমসিদা মোংবা হনবগী খুভম থম্বা য়ারোই, ইরাৎ থৌনিবা য়ারোই হায়বসু অরানবা ৱাফমনি। লমদমসিদা লৈঙাক্লা থৱায় য়াওনা কোন্না খনগৎপা চঙলকখিবা লাইনীং অমসুং মরী লৈনবা লাইশঙ খুভমনচিংবদি থৱায় য়াওনা শেঞ্জাউ থাদদুনা শেমগৎপা অদুগা কংলৈপাক্কী অশেংবা নাৎ চৎনবী শক্তমগী মরুওইখ্রবা মীতৈ লাইনীং হায়বদি সনামহী লাইনীং অসিবু য়োকখৎনবা অমসুং লাইশঙ খুভমনচিংবদি মমাঙদা পানখিবা লৈঙাক অমত্তনা মশানা খঙনা শেমগৎপীদ্রি।

য়াম্না ঙকপা থৌদোক অমখক হায়রবদি নোংচুপ হারমদগী লাকপা ময়াংশিংনা মখোয়গী হিন্দু লাইনীংগা মরী লৈনবা লাইগী ইরাৎপদা অহিং নোংশোইবা ফাওবা অহৌবা খোঞ্জেল থাদোক্তুনা লাউ খোংদুনা তৌবা থৌরমদদি লৈঙাক্কী য়াথংনা মণিপুর পুলিসনা শোয়দা ঙামদনবা হোৎনবদা অহিং ফাওবা তূমদনা থৱায় য়াওনা ঙাক শেল্লি। মসিদগী হেন্না ঙকপা পেন্দবসু পোকপা অমনা মমাঙদা পানখিবা লৈঙাক্লা থেঞ্জাং অনীরক্তা সনামহী টেম্পল বোর্দপু গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মখাদা থমগদবনি হায়না থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনখিবদুনি। অহানবা থেঞ্জাংদা মায় পাক্তবদগী মতম খরা তুমিন্না লৈরুরবা তুংদা অনীশুবা থেঞ্জাং ওইনা শোয়দনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা থবক পায়খৎপগী ফীভম লাকখিবদু নুংগী ৱাহন্থোক করিনো। বোর্দ অনী অসি অমগা অমগা মরী শুকলৈ লৈনদে হায়বসি তাইবঙ মীবু ওইরবদি ইরায় লায়না খঙলগদবা ৱাফমনি। সনামহী টেম্পল বোর্দপু গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মখাদা থমগদবনি হায়জরিবশিং অমদি থবক পায়খৎলক্লিবশিং অদু তাইবঙ শেবাৎনরবরা নৎত্রগনা লৈবাক অসি ইখূৎতা লৈ অঙম্বনি হায়না তৌবরা। ঐখোয় অঙম্বনি হায়না তৌবগী থৌদৌ ওইরবদি ইরমদম অসি ঈঙাং পক্তনিঙাই, ঈমু পামফেন্নগনি হায়বসি কাউদবা ফৈ। লমগী ষণনা মচি শাংবনি হায়না খনবা লানবা ওইগনি। নখোয়সু ইরমদম ইপা ইপুশিংগী ঈখেং, লৌশিং পাঙ্গলনা শেমগৎলবা লমদম অসিদা পোক্তুনা, নিংথিরবা চীং, পাৎ, তুরেল, লৌবুক লম্ফাং অসিদগী ফংলকপা ঙা-চাক, চেঙ-হৱাই, এঞ্জাং-নাপি, উহৈ-ৱাহৈ চাদুনা চাউরকখিবা ঙাক্তনি হায়না খন্থদুনা থবক তৌবা ফৈ। লাইরমলেন্দা তিনখ্রবা ইপা ইপুশিংনা লাইরমলেন্দগী উবদা নুংঙাইরমগনি খনবরা। ইপা ইপুশিং অদু শুকনুং নুংঙাইরম্লোই থৌদৌশিং অসিগী ইপা ইপুশিংনা কপলমগনি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ইশাগী কান্নবা, ওইজবা থিদুনা ফুরুপ কাঙলুপকী মাঙনবা থবক তৌহন্নীংদে। মালেমদা ঙসি চাওখৎলে  হায়রিবা লৈবাকশিং মপা মপূগী খোঙ্গুল মুৎহন্দনা মদুবু তাশিন খোমজিন্দুনা য়োকখৎপদগীনি ঙসি মালেমদা মঙক থাঙ্গৎনা য়াইবি মরাং কায়না ঐখোয়না মহেল্লে হায়না পাল্লিবশিং অসি। চাওখৎপা মরিং মরাংদবা তশেং তশেংবা শক্তম অমসুং লৈবাক খুন্নাই অমা ওইহনগে হায়রবদি মীগী ৱাইদুনা ইশাগী ওইনা শীজিন্নদবা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা চৎলম্বশিং য়োকখৎতুনা ফজবা মওংদা অমুক চাওখৎহন্দুনা ইশা ইশানা  ইল্লবতদা ওইগদবনি। তুংগী মীরোলগী খন্থবিদুনা থবক পায়খৎপনা খ্বাই পূন্নমক্কী অফবা ওইগনি। অদুবু চিরবা মতম অসিদা মশাগী ওইজবা থিদনা ইপা ইপুগী খোঙ্গুল লীরিবা, মীগী মমাদা ইমা হায়না কৌনীংদবা, সনামহী লাইনীংবু পূক্লিংদা অমকপা লৈতনা নুংশিনা থস্মোয়দা শেংনা থাগোন্নজদুনা নীংজরিবশিংনা লাইনীং অসিবু মাঙখিবা য়াদে হায়না চোঙথোকপীরক্তুনা য়োকখৎনবা হোৎনরিবা ইচিন ইনাওশিংনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনরিবসি শোয়দনা মায় পাক্কনি, খুমাঙ চাউশিনবগী খুদমসু শং শংনা উবা ফংলি। লাইনীংথৌ সনামহীনা ইচিন ইনাওশিং অসিবু ইরমদম অসিদা পুন্সি নুংশাংনা য়াইবি মরাং কায়না হিংনবা কুবিবা ওইসনু।

অরোইবদা থমজনীংবা অমনা হন্দক্কী লাক্লিবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা মমাঙগী লৈঙাক্কুম থৌশাবিদবা তৌবিদনা সনামহী লাইনীং অমসুং লাইনীং অসিগা মরী লৈনবা লাইফম, খুভমশিং লৈঙাক্লা লৈবাক খুন্নাই অসিগীদমক, তৌফদ্রবা থৌদাংনি খনবীরগা মীচং মীখাই নাইবিদনা অশানবা মিৎয়েং য়েংবিরগা শেমগৎ শাগৎপীরক্কনি হায়না খঞ্জে।

## মরোল থোকপা লাই




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫২

১। ‘খুমন কংলৈরোল’ কৌবা লাইরিক অসিগী অইবা অদু কনানো?
২। ‘‘ঈগী হৌরকফম ঈরৈপাক্লি / অতৈ ইমা অরায়বনি / পোক্লফম লমদম ইমানি।’’ পরেংশিং অসি মহাকবি হিজম অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। ‘‘থোৎলবা হকচাং কয়াৎ / নোংমৈ গুলিনা পাল্লবদা / ...ঈ থোক্কনি / ... খনবিদবা করিগীনো?’’ পরেংশিং অসিনা টি সনামচাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু।
৪। হোমরগী ‘ওডিসী’ বু মণিপুরীদা হন্দোকপা মীশক অদু কনানো?
৫। ‘মণিপুরী সাহিত্য’ কৌবা নৈন-ৱারেং লাইরিক অদুগী অইবা কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।